# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা কে এস সি লম্বুলেন রন ৬০ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০২ ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা কে এস সি লম্বুলেন রন ৬০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সাইক্লোনগী ওল রাউন্দর রোবেনগী ফজরবা ওল রাউন্দ পার্ফোমেন্স অদুগীদমক মহাকপু মেন ওফদ মেচকী মনা পীখি। রোবেন্না বোল ৩৮ মায়োক্লখিবদা রন ৩৪ লৌখি অদুগা ৱিকেট অনীসু লৌখি।

মেচ অদুদা সাইক্লোন্না টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌনবা খনখি। সাইক্লোন্না মেচকী অপীবা ওভর ৩০ মক মায়োক্লখিবদা শুপ্পগী ৱিকেট ৬ খক আউট ওইরগা রন ১৬৭ লৌখি। সাইক্লোনগী বেটসমেন রোবেন্না রন ৪৩ (৩৮), থোইথোইনা রন ২৭ (২৫), মোবিনা রন ২৭ (৪১), ইঙেনজাওনা রন ২৬ (৩৬) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা কে এস সি নম্বুলেন্দগী বোল্লর লুলুন্না ৱিকেট ২ লৌখি। অগু অমসুং গৌমিনলুন্না ৱিকেট ১/১ লৌখি। সাইক্লোন্না থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেটিং তৌখিবা কে এস সি নম্বুলেন্দনা ওভর ৩০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১০৭ খক লৌদুনা সাইক্লোনগী মখুত্তা রন ৬০ দা মায়থিখি।

কে এস সিগী বেটসমেন গৌমিনলুনা রন ২৪ (৫১), লালবোইনা রন ২১ (২৭), মোনপিনা রন ১২ (১৬) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা সাইক্লোনগী বোল্লর রোবেন অমসুং বিনোয়না ৱিকেট ২/২ লৌখি। টিকেন অমসুং রতন্না ৱিকেট ১/১ লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েংগী মেচ মোদেল ক্লব চিংঙামখা অমসুং ক্রাও খন্নাম বজারগা শান্নগনি।

# নেশনেল গেমসতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জানৱারি ০২ ঃ

থা অসিগী ৩১ দগী মথং থাগী ১৪ ফাওবা কেরলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৫ শুবা নেশনেল গেমসতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা সাইক্লিষ্ট, টাইকুন্দো শান্নরোইশিং অমসুং ত্রাইথালোনগী এঠলেটশিং খনখ্রে।

নেশনেল গেমস অসিদা ত্রাইথালোন মশান্নদা শরুক য়ারুনবগীদমক ত্রাইথালোন এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা খনখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি নুপাগী কাংলুপ্তা এল মহেশ, এন জি দিৱানজিৎ, ঈ সুসিল অমসুং কে এস ঐচ অনিলনি। নুপীগী কাংলুপ্তা টি ঐচ সোরোজিনি, এম সি লিন্থোইঙম্বী, সি ঐচ রানি অমসুং ৱাই সুনিবলানি।

মণিপুর টিমগী মেনেজরনা ডোঃ ও নোবো অদুগা নুপীগী টিম কোচ ওইনা টি থৌবা অদুগা নুপাগী টিম কোচনা জি চন্দ্রজিৎনি।

সাইক্লিং মশান্নদা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএশন্না খনখ্রবা সাইক্লিষ্ট ১৮ অদুদি নুপাগী কাংলুপ্তা য়ু এস এদগী ও বিক্রম, ক্রিপসাদগী কে অমরজিৎ, ঈ এস য়ুদগী এল মনিতোন, য়ু জি এল ৱাই এদগী সি ঐচ বিমোলজিৎ, সাইদগী এম কিরন, অলবার্ট ওইনাম, এম মোরাম্বা, এন বিরজিৎনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা খল্লবশিং অদুদি সাইদগী টি সোনিয়া, এম সোনালি, আই মতৌলৈবী, এস এস য়ুদগী টি বিদ্যালক্সমি, নেরোকাদগী ৱাই সুনিতা, মণিপুর পুলিসতগী সি ঐচ রামেশ্বরি, টি নিতা অদুগা এস সি এদগী আর কে অবেনি।

মণিপুর সাইক্লিং টিম অসিগী মেনেজরনা ও চন্দ্রসেখর অমসুং টি জয়েন্তকুমারনি। নুপীগী কোচনা আই গৌতমনি। অদুগা নুপাগী কোচনা ও বসন্তনি। নেশনেল গেমস অসিদা মেদলগী অশা চাউনা লৈরিবা টাইকুন্দো মশান্নগী ওইনা ওল মণিপুর টাইকুন্দো এসোসিএশন্না খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি নুপাগী কাংলুপ্তা সাইদগী এস ঐচ জেমস, এল ধনে, এস বিক্রমজিৎ, য়ু টি এদগী আর কে বুঙ্গরাজ, নম্বোলদগী এ প্রেমকুমার, আই টি বি পিদগী টি প্রেমজিৎ, কে রোসনি অমসুং নাওরিয়াদগী এম রুসিয়ানি। নুপাগী টিম কোচনা এন জি রাধাপিয়ারি অদুগা টিম মেনেজরনা আই সিরোমোনি।

নুপীগী খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি নম্বোলদগী এন জি অবেম, কে নমিতা, য়ু টি এদগী কে ননাওচা, ৱাই শান্তিবলা, এল জয়প্রিয়া, এম সরজুবলা, নাওরিয়াদগী সুনিলা থোকচোম অমসুং নম্বোলদগী আর কে সনাতোম্বীনি। টিম কোচনা এস অনিতা চনু অদুগা টিম মেনেজরনা এন জি সুনিতানি।

# রবিচন্দ্র মেমোরিএল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জানৱারি ০২ ঃ

এম রবিচন্দ্র ত্রষ্ট ক্যামগৈনা শিন্দুনা ক্যামগৈ আইদিএল হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৬ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নগদবা অহানবা মেচতা কে এফ সি টিম এ ক্যামগৈ লাক্তবদগী এস দি সি শমুরৌনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

অনীশুবা মেচতা আর দি দি ৱাঙ্খৈ অমসুং দি এফ এ ককৱা গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্না য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা অদুদা দি এফ এগী গোল অদু হোমেন্দ্রোনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা চনখি। আর দি দি ৱাঙ্খৈগী গোল অদুনা দিপক্না ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নগদবা অহুমশবা মেচতা এ এফ সি সগোলবন্দ লাক্তবদগী কে এফ সি টিম বি ক্যামগৈনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা এলেবেন হোগ সোইবম লৈকাই গোল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ৱাফাগী গোলশিং অদু ঐচ নাওবিনা গোল অহুম মেচকী ৩, ২২ অমসুং ৪৫ শুবা মিনিটতা অদুগা পি মনিতোম্বনা গোল অনী মেচকী ২৭ অমসুং ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি। এলেবেন হোগকী গোল অহুম অদু পুনি, বিকাস অমসুং পোইতোন্না চনখি।




# মণিপুরনা মেদল তরুক ফংলক্লে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০২ ঃ

মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ দগী ২১ ফাওবা অসামগী নগাওন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লমদিংগী নবারুন বিদ্যালয়দা পাঙথোকখিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওল ষ্টাইল ওপন মার্সিএল আর্ট চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ দা শরুক য়ারুবা স্পোর্টস করাটে এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী শান্নরোই ৯ না মেদল তরুক ফংলকখ্রে।

মণিপুরনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল ১, সিলভর মেদল ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৩ ফংলকখি। মন্সুরিয়া কোংফু স্কুল লমদিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল লৌরক্লবা শান্নরোই অদুদি সব জুনিয়রগী কেজি ৪০ মখাগী কাংলুপ্তা এম দি জাবিরনা ফংলকখি। সিলভর মেদল অদুনা এম দি সহাবাস অমসুং এল অরুন্না ফংলকখি। ব্রোঞ্জ মেদল অহুম অদু সেনিয়র কেজি ৫০ গী কাংলুপ্তা টি বোইচা, সব জুনিয়র কেজি ৪৫ গী কাংলুপ্তা এম দি নৱাজ সরিফ অমসুং জুনিয়র কেজি ৫৫ মখাগী কাংলুপ্তা এম দি নৱাজখান্না ফংলকখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা এম দি ফরুক শাহ, কে ঐচ রোমেস অমসুং এম দি অটবহুসেন্না শরুক য়াখি। মণিপুর টিম অসিগী কোচনা সি ঐচ প্রেমচন্দ্র অদুগা টিম মেনেজরনা মুতুম পাইখোম্বনা ওইখি।

HL-B/2156/7Dec-6 Jan.

# ওফিসিএল ওইনা খল্লক্লে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০২ ঃ

অসামগী মোরিনগাওন্দা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৯ শুবা নেশনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোস ত্রোফিগী নোর্থ ইষ্ট জোন্দা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর ফুটবোল টিমগী কোচ ওইনা শক্লাইরবা ফুটবোল কোচ কে ঐচ রতন খনখ্রে অদুগা দল্লিয়ু মনিহারনা মণিপুর টিম অসিগী মেনেজর ওইনা খল্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

HL-B/2132-14/12 to 13/1

# জুনিয়র মেন'স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ০২ ঃ

ফৌবাকচাও অমসুং কোনুমা সোসিএল দিভেলপমেন্ট এসোসিএশন অনীনা পুন্না শিন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র মেন'স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ চৎলিবা থা অসিগী ৪ দগী টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা হৌরগনি।

থা অসিগী ১১ ফাওবা চত্থগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা এল এস এ লিলোং, আই সি এস এ ইরেংবন, আই জি ও ওইনাম, গ্রুপ বিদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম, গেলেক্সি য়ুরেম্বম, পি বি এম ৱাংজিং শাবলনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎ থা অসিগী ৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা গ্রুপ এদগী এল এস এ লিলোং অমসুং আই জি ও ওইনাম অনীনা শান্নরগনি।











HL-B/2146/27/11-26/12




HL-B/2153/4Dec-3 Jan(alt.)




HL-B/2168/16-15/1 Jan.

HL-B/2174/26-17 Jan. (alt.)




HL-P/2970/27/12-26/1




HL-B/5428/18/12-13/1 (alt.)




HL-P/2650/10/12-9/1

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)9856594262 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com